# মণিপুরগী মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা চহী ১৭ মখাগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস)ঃ মহারাষ্ট্রগী নাগপুর সিটিদা থা অসিগী ২৩ দগী পাঙথোরকপা য়োনেক্স সনরাইজ ওল ইন্দিয়া সব-জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী চহী ১৭ মখাগী নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু মণিপুরগী শান্নরোয় মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা লৌখ্রে।


টুর্নামেন্ট অসি ম্যান্মারগী য়াঙ্গোন সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৭ মখা অমসুং চহী ১৫ মখাগী বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী জুনিয়র শান্নরোয়শিং খনবগী সেলেক্সন টুর্নামেন্ট অমা ওইখি।

মণিপুরগী মৈরাবা লুৱাংনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা অন্ধ্র প্রদেশকী শান্নরোয় চহী ১৭ মখাগী ইন্দিয়াগী অনীশুবা রেঙ্ককী শান্নরোয় ওইরিবা সাই সরন কোয়াবু ১৬-২১, ২১-১৭, ২১-১১ দা মায়থীবা পীরগা টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বৈলদা মৈরাবা লুৱাংনা অহানবা রাউন্দদা উত্তরখন্দগী শান্নরোয় অনুশ বার্টৱালবু ২১-৮, ২১-৭ তা থোইরমখি। মদুগী মতুং অনীশুবা রাউন্দদা মৈরাবনা হরিয়ানাগী শান্নরোয় হর্শ অনন্দ জেশৱালবু ২১-১৩, ২১-১০ দা মায়থীবা পীখি।

প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা মণিপুরগী মৈরাবনা উত্তর প্রদেশকী শান্নরোয় অয়ুশ রাজ গুপ্তবু ২১-১৩, ২১-১০ দা থোইরমখি। অদুগা ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক্না হরিয়ানাগী অতোপ্পা শান্নরোয় গৌতমৱালাবু ২১-১৫, ২১-১৬ তা থোইরগা সেমি ফাইনেলদা প্রনব রাও গন্থমবু ২১-১৩, ১৬-২১, ২১-১৩ দা থোইদুনা ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদু শান্নবা ঙমখি।

# য়ু এসকী কেথলিন বেকরনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থুগায়খ্রে



আরভিন, জুলাই ২৯ (এজেন্সী)ঃ য়ু এস এগী কালিফোর্নিয়া ষ্টেটতা লৈবা আরভিন সিটিদা পাঙথোকপা য়ু এস স্বিমিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী নুপীগী মিটর ১০০ গী বেকষ্ট্রোক ইভেন্টতা কেথলিন বেকরনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থুগায়খ্রে।

ইভেন্ট অদুদা কেথলিন বেকরনা সেকেন্দ ৫৮ দা হান্না লৈরম্বা কাইলি মাসেগী সেকেন্দ ৫৮.১০ ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদু থুগায়বা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, কেথলিন বেকরনা মমাঙগী চহীদা হঙ্গেরিগী সিটি বুদাপেষ্টতা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতা কনাদাগী স্বিমর কাইলি মাসেনা থমখিবা সেকেন্দ ৫৮.১০ গী ৱর্ল্ড রেকোর্দ কম্পিটিসন অদুদা অনীশুবা পোজিসন তাখিবনি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা য়ু এস স্বিমিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা সেকেন্দ ৫৮ দা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রবা মতুং কেথলিন বেকরনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মায়কৈদগী মখা তানা পাঙথোক্কদবা কম্পিটিসনশিংদা সেকেন্দ ৫৮ গী মনুংদা মিটর ১০০ গী বেকষ্ট্রোক ইভেন্ট অদু মায় পাক্তুনা অনৌবা রেকোর্দ থম্নবা হোৎনগনি হায়খি।

কেথলিন বেকরনা ঙরাং ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখিবা য়ু এস স্বিমিং চেম্পিয়ন্সিপ অদু নুমিৎ মঙানি চুপ্পা চথবদা অমতা ঙাইরবা রেকোর্দ ওইখি। হায়রিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদগী খনগৎলবা য়ু এসকী স্বিমরশিংনা মথং থাদা জপানগী সিটি টোকিয়োদা পাঙথোক্কদৌরিবা পান পেসিফিক চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং মথং চহীদা সাউথ কোরিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট ওইখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ৭৫


১। ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা মায়োক্নবা টিমগী শান্নরোয়না কাওথৎতুনা মখোঙ তেকখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।

২। টিম অসিনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল তরেৎলকশুবা ওইনা ফাইনেল ষ্টেজদা শরুক য়াবা মতমদা স্কুল ওজা অমবু টিম কোচ ওইহনবগী লমদম অদুগী মীওই খরনা য়ানীংখিদে অমদি টিম অদু মথং রাউন্দ চঙবা ঙমখিদে। টিম অদুগী মমিং পীয়ু।

৩। হিমা দাসকী মমাঙদা মমিং চৎখিবা অসামগী এথলেট অমগী মমিং পীয়ু।

৪। মহাক্না ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংবা ঙম্নবদি কিলোমিটর ১৭৫ মখোঙনা চৎকনি হায়না ৱাশকখি। মহাক লমজেল অদুদা মকোক ওইখি। মহাক্কী ৱাশক অদু ঙাক্তুনা মখোঙনা কিলোমিটর ১৭৫ চৎলগা ফাটিমাগী লাইশঙদা চঙদুনা ভিরজিন মেরিবু খুরুমজখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অসাম রাইফলসকা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেচ শান্নখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস)ঃ মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা শান্নবগী লমদা অহেনবা থাক অমা পুরকপা ঙম্নবগী পান্দমদা ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলস (আই জি এ আর) সাউথকী মীৎয়েং মখাদা ৯শুবা অসাম রাইফলসকী টুলিহল বটালিয়ান্না শীন্দুনা ময়াঙ ইম্ফাল কম্পনি ওপরেটিং বেজনা মফম অদুগী টিম অমগা ভোলিবোল মেচ অমা শান্নখ্রে।

মফম অদুদা লৈবা ময়াঙ ইম্ফাল খুমন য়ুঠ এসোসিএসনগী টিম অমসুং টুলিহল কম্পনি ওপরেটিং বেজগী টিমগা ঙসি ভোলিবোল মেচ অদু শান্নখিবনি। ঙসি শান্নখিবা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেচ অদুনা মফম অদুগী নহাশিংগা অসাম রাইফলসকী মীওইশিংগা নকশিন্নবা য়াবগী অচৌবা ফমপাক অমা শেমখি। মফম অদুগী নহা ওইরিবা মীওইশিংদা চহী অসিগী ওক্টোবর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা আর্মি রেক্রুটমেন্ট রেলিগী মতাংদসু খঙহনখি।

# ইন্দিয়াগী বজ্রং পুনিয়ানা অনীরকশুবা ইন্টর্নেসনল গোল্ড লৌখ্রে



ইষ্টানবুল, জুলাই ২৯ (এজেন্সী)ঃ টর্কিগী কোনুং ইষ্টানবুলদা পাঙথোকপা য়াসর দোগু ইন্টর্নেসনল রেষ্টলিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী বজ্রং পুনিয়ানা মহাক্কী গোল্ড ফংদুনা মহাক্কী ইন্টর্নেসনল গোল্ড মেদল অনী থংন-থংননা লৌবা ঙমখ্রে।

থা অসিগী অঙনবদা জোর্জিয়া পাঙথোকখিবা টিলিসি গ্রান্দ প্রি রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপতা বজ্রং পুনিয়া গোল্ড মেদল ফংখিবনি। মদুগী মাঙওইননা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমসতসু বজ্রং পুনিয়া গোল্ড লৌবা ঙমখিবনি।

কেজি ৭০ গী ফাইনেল মেচ অদুদা গোল্ড মেদল ফংনবগী লম্বা তৌনগদবা বজ্রং পুনিয়াগী মায়োক্নবা রেষ্টলর য়ুক্রেনগী এন্দ্রি ক্যাকোবস্কি শোকপদগী শান্নবা ঙমদবা মরম্না পুনিয়ানা গোল্ড মেদলগী বাউট অদুদা হুমাং মচেৎ অমা ফাওবা তাদনা গোল্ড লৌখি।

নুপীগী কেজি ৫৫ গী কাঙলুপতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর পিঙ্কিনা ফাইনেলদা য়ুক্রেনগী রেষ্টলর ওলগা স্নাইদরবু য়াম্না ফজবা মওংদা পোইন্ট ৬৩ দা থোইদুনা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদল অমগসু মহাক্না লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখিবী রিও ওলিম্পিক গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সাক্সি মালিক, য়াসর দোগু ইন্টর্নেসনল রেষ্টলিং মীট অদুদা নুপীগী কেজি ৬২ গী কাঙলুপতা শরুক য়ারকপদা য়াম্না পর্ফোমেন্স ফজখিবদগী মেদল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে।

## অন্দর ১২ য়ুথ লীগ

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচ এন এস)ঃ নেরোকা এফ সী ফেন ক্লব ওরেঞ্জ বৃগেদনা শীন্দুনা কোদোম্পোকপী মমাঙ লৈকাইগী এস সী কে গ্রাউন্দদা থাংজ অমসুং নোংমাইজিং খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোকপা অন্দর ১২ য়ুথ লীগ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এম জি এফ সীনা এস সী কে; কে এস ৱাই সীনা দল্লিয়ু ৱাস সী; বি এম এস সীনা এফ সী কে; এস এফ এনা পি ৱাই পি সী অমসুং আর এফ এনা এ পি য়ু সী ও মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা এন ৱাই এস এ অমসুং য়ু জি এফ সী গোল ১-১ অমদি কে এফ সী অমসুং য়ু টি এল দল্লিয়ু ও গোল ০-০ দা দ্রো চৎখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৩ শুবা মেচ ওইনা বি এস য়ু অমসুং এস টি এফ সী শান্নগদবা মেচ অদু বি এস য়ু লাক্তবদগী এস টি এফ সীনা ৱাকওভর ফংদুনা পোইন্ট ৩ ফংখি।

# য়ু এস এগা ১-১ দা দ্রো চৎখিবদগী ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিম ইটালিগা প্লে ওফ মেচ শান্নরগনি




লন্দন, জুলাই ২৯ (এজেন্সী)ঃ

ইংলেন্দনা য়ূম্বু ওইরগা লন্দনদা লৈবা লি ভেলি হোক্কী এন্দ টেন্নিস সেন্টরদা পাঙথোকপা হোক্কী ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম য়ু এস এগা পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎতুনা ইটালিগা প্লে ওফ মেচ শান্নরগনি।

গ্রুপ বিগী ঙসি য়াম্না মরুওইবা ইন্দিয়াগী মেচ অদুদা য়ু এস এগী শান্নরোয়শিংগীসু মায় পাক্তবা য়াদবা মেচ ওইখি। গ্রুপ অদুদা য়ূম্বু ইংলেন্দ অমসুং আইরলেন্দনা অথেংবদা অরোইবা মেচ শান্নগনি।


ইন্দিয়াগী টিম মমাঙদা শান্নখিবা মেচ অনীদা অমা মায়থীরগা অমা দ্রো চৎতুনা শুপ্নগী পোইন্ট অমা ফংলগা লাকখিবনি। ইন্দিয়াগা অসিগা চপ মান্ননা য়ু এস এগী টিমসু মমাঙগী মেচ অনীদা অমা মায়থীরগা অমা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমা ফংদুনা লৈরিবনি।

অদুবু গোল দিফ্রেন্সতা য়ু এস এগী মায়কৈদা মায়োক্নবা টিমনা চনশিল্লকপা পাঞ্জল ৪ অদুগা টিম অদুনা চনখিবা পাঞ্জল ২ ওইদুনা -২ ফংদুনা লৈখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী টিমনা মায়োক্নবা টিমনা পাঞ্জল ২ চনশিল্লকখিবা অমদি টিম অদুনা চনখিবা পাঞ্জল অমা ওইখিবা মরম্না গোল দিফ্রেন্সতা -১ লৈদুনা য়ু এস এদগী ফজবা হেনখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী টিম দ্রো চৎলবসু প্লে ওফকীদমক ক্বালিফাই ওইবগী তাঞ্জা লৈখি। অমরোমদা য়ু এস এগী টিমনা প্লে ওফকীদমক ক্বালিফাই ওইনবগীদমক মায় পাক্তবা য়াদবা মেচ অমা ওইখিবনি। শান্নবগী অহানবা ক্বার্টর লোইরমদাইদা য়ু এস এগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা শান্নবগী ১১ শুবা মিনিটতা টিম অদুগী শান্নরোয় মার্গো পাওলিনোনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা ইন্দিয়াবু মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ইন্দিয়াগী টিম পাঞ্জল হনে দাকপা ঙমদনা ০-১ দা শোথদুনা লৈখি। হাফ মতুং হৌরকপা অহৌবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী এটেক অমদা পেনাল্টি কোন্নর অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী কেপ্টেন রানি রামপালনা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা ১-১ দা লৈখি। মেচকী মখা তাবা মতম পাঞ্জল চন্নখিবদগী দ্রো চৎতুনা ইন্দিয়া থা অসিগী ৩১ দা ইটালিগা প্লে ওফ মেচ শান্নরগনি।




# ইন্দিয়াগী সৌরব ভর্মানা রসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ৱ্লাদিবোষ্টোক, জুলাই ২৯ (এজেন্সী)ঃ রসিয়াগী সিটি ৱ্লাদিবোষ্টোকতা পাঙথোকপা য়ু এস দোলর ৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা রসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সৌরব ভর্মানা লৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী মমাঙদা নেসনল চেম্পিয়ন ওইরল্লবা মশাগী চহী ২৫ দা ঙাইরিবা সৌরব ভর্মানা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা রসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জপানগী শান্নরোয় হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড নম্বর ১১৯ দা লৈরিবা কোকি ৱাটানাবেবু গেম ২-১ দা থোইখি।

ৱ্লাদিবোষ্টোক সিটিগী স্পোর্ট হোল ওলিম্পিকতা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল অদু পুং ১ চপ চানা ইন্দিয়াগী সৌরব ভর্মা অমসুং জপানগী কোকিনা লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হৌবদগী হৌনা শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদা অকনবা লম্বা মায়োক্নখি। অহানবা গেম অদু জপানগী শান্নরোয় কোকি ৱাটানাবেনা ইন্দিয়াগী সৌরব ভর্মাদগী হেন্দুনা লৈখি। সৌরব ভর্মানা পোইন্ট শোথরগা পোইন্ট মান্ননবা তান্নবগী মওংদা শান্নখি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম অদুগী তঙ্খায় চনশিল্লকপদা জপানগী শান্নরোয় কোকি ৱাটানাবেনা ১১-৫ দা হেন্দুনা চৎখি। সৌরব ভর্মানা মখা তারকপদা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পোইন্ট ১১-১২ দা য়ৌহনবা ঙমখি। অদুবু জপানগী শান্নরোয় ৱাটানাবেনা ফজবা হেল্লকপদগী ১৮-১৩ দা লৈবা ঙমখি। সৌরব ভর্মানা য়াম্না ফজবা মওংদা পোইন্ট ৫ থংন-থংননা লৌদুনা অহানবা গেম অদুদা পোইন্ট ১৮-১৮ দা লৈরল্লবা মতুং জপানগী ৱাটানাবেনা গেম অদু ২১-১৯ দা থোইরগা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা গেমদা সৌরব ভর্মাগী মায়কৈদগী অহানবা গেমদা শোয়খিবা মফমশিং অদু নীংথিনা ফুগৎপা ঙম্বদগী চাওনা পোইন্ট ৭-৩ দা ৱাটানাবেদগী হেন্দুনা লৈখি। গেম অদুগী তঙ্খায় চনশিল্লকপদা ১১-৬ তা হেন্দুনা লৈখি। অদুগা মখা তানা পোইন্ট মাঙজিল থাবা ঙম্বদগী ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা গেম অদু ২১-১২ দা থোইদুনা অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেমগীদমক শেম-শানখি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহুমশুবা অমদি অরোইবা গেম অদুদা জপানগী শান্নরোয় কোকি ৱাটানাবেনা ঙন্না মাঙজিল থাদুনা পোইন্ট ৯-৩ দা লৈখি। গেম অদুগী তঙ্খায় চনশিল্লকপদা ৱাটানাবেনা ১১-৭ তা হেন্দুনা লৈবা ঙমখ্রবসু ইন্দিয়াগী সৌরব ভর্মানা মখা তারকপদা ফজবা হেল্লকপদগী পোইন্ট ১৫-১৫ দা মান্নখি।

জপানগী শান্নরোয় অদুনা সৌরব ভর্মাগী মশান্না অদুদা য়াম্না কন্না মান্ননবা হোৎনরকখি। পোইন্ট ১৭-১৭ ফাওবা মান্নরল্লগা সৌরব ভর্মানা মখা তাবা পোইন্ট ৪ থংন-থংননা লৌবা ঙম্বদগী অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদু ২১-১৭ তা থোইদুনা রসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌখি।

ইন্দিয়াগী রোহন কাপুর অমসুং কুহু গর্গ মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা রসিয়াগী ৱ্লাদিমির ইমানোব অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মিন ক্যুং কিমগী মখুৎতা ১৯-২১, ১৭-২১ দা মায়থীরগা রন্নর্স অপ তাখি।